থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# স্মার্ট ! স্মার্ট সিটিজন অমদি স্মার্ট সিটি !

'কদায়দা, কনা উন্নরুদোইনো... ঙসিদি ওন্থোক্লা স্মার্ট ওইখ্রেদা'...! ঐখোয়না নহা ওইরিবঁ ঈরু নীংথিনা লুথোক্লগা, শমচেৎ নান্না হাৎলগা, ফুরিৎ-খোঙগ্রাও তরু-তনান শেৎলগা, ইমি তানা লংলবা খোঙউপ তোংদুনা থোক্লকপদা অউবা খূদিংনা হংনরম্মী। চমোৎনবা নৎত্র'সু ফোর্মেল-দ্রেস নত্তবা, টি-সার্ট/হাফ পেন্ত/জিন শেত্তুনা চপ্পল তোংলগা থোক্লকপদদি- 'স্মার্ট ওই' কনানসু হায়রক্লোই। মতমগী খোঙচৎ অঙকপনি! খরা লৈরগা হোংলকখি- স্মার্ট ওইবই দিফিনিসন। ফি-রোল নানবা নত্তবা, থবক তৌবদা এক্টিভ ওইবা, চীনগা খুৎকা মান্নবা, ওইদ-পাদ তৌদবা, হায়খিবা ৱা ঙাক্কনবা- মখোয়দুবু কৌনরকই- স্মার্ট ওইবা মী। তশেংনা স্মার্ট ওইবদি নত্তবা, স্মার্ট ওইবা মান্নবা তৌশিন্নবা কাঙবু অদুবুনা 'ওভর-স্মার্ট'। 'স্মার্ট' নৎত্রগা 'ওভর-স্মার্ট'- অউবা অমনা ইরায় লায়না শক-লাকপা ঙম্মী।

অদুবু, কুনশুবা চহী-চা লোইশিল্লকপা, ত্বেন্তি-ফার্ষ্ট সেঞ্চুরি চঙলকপা, মীনা তৌরম্বা থবক কয়া কম্প্যুটর'না মহুৎ শীন্দুনা তৌরকপা... ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজি হায়বা হীরম অমা নোংচুপলোমদই পুথোক্লকপা... পুদুনা চৎপা য়াবা (মোবাইল) ফোন থোক্লকপা... মোবাইল ফোন'না রেদিও, টেলিভিজন, কম্প্যুটর, লাইরিকনচিংবগী অসূপ্পা থৌদাং লৌখিবা, অদুগুম্বা ফুরিৎখাউদা হাপ্তুনা পুবা য়াবা ফোন'দুবু 'স্মার্ট ফোন' কৌনরকপদগী 'স্মার্টলাইফ' হায়বা অনৌবা ৱাহে অমা থোক্লকখি। ভিলেজ লাইফ নৎত্রগা অর্বান লাইফ নত্তবা 'স্মার্ট লাইফ'!

ৱাহৈসিনা তাকথোকচৈ- স্মার্ট ওইবা পুন্সি-মরেল অমা লেনবদুনি 'স্মার্টলাইফ'! মীওইবনা তৌরম্বা থবক, কম্প্যুটরনা মহুৎ শীন্দুনা তৌখ্রবা মখল কয়াগী সর্ভিসশিং অদু মরাং কায়না ফংলবা মফম, সহর নৎত্রগা সহর অমগী শরুক খরা- অদুবু কৌই 'স্মার্ট সিটি'। সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী 'মিনিষ্ট্রি ওফ অর্বান দিভেলপমেন্ট'না শেমখিবা ৱাহে অমনি। স্মার্ট-সিটি অমদা লৈবা মীওই অদুবু কৌই 'স্মার্ট সিটিজেন'! অদুগা স্মার্ট সিটিজেন অমনা লেল্লিবা পুন্সি-মরেল অদুবুনা 'স্মার্ট লাইফ'।

স্মার্ট ওইবা পুন্সিগী ৱারী শাদ্রিবঁ, ৱাহে অমত্তং নীংশিংজরমগে। ...'অমেরিকান দোল্লর নেভর গেৎস ম্যুতিলেতেদ' (অমেরিকাগী দোল্লরদি কৈদৌঙৈদা মনবা নাইদে'...পুন্সিসিবু অমসুং পুন্সিসিদা তাঙজরম্বশিংদুবু হিংহনবদা মতেং ওইখিবা, 'বেঙ্কিং' প্রোফেসনদা চঙলকপদা থেংনরকখিবা ৱাহায়নি। চেদা নম্বা শেল (পেপর করেন্সি) হায়বসিমক্তবু, কুইনা শীজিন্নরক্লবা, মশীং খঙদ্রবা খুৎ অমদগী অমদা... মন্থরকপা হৌনশানি। পথুবা নাইদবা প্লাষ্টিক-পেপরদা নম্বমক্তি নত্তে। চে'দা নম্বা 'দোল্লর'বু কৈদৌঙৈদা পথুদে, মনবা নাইদে হায়বদি চেদা য়েকপা শেল'য়েক্তু খুৎনা পায়দে হায়বনি। কেসলেস ত্রান্সেক্সন- শেল য়াওদনা পোৎ লৈবা! মোদি লৈঙাক লাক্ল'তুং, ২০১৬তা দি-মোনিটাইজ তৌখ্র' মতুংদা লৈপাকসিদা কন্না ঙাঙনরকখিবা, খুঙ্গংদা লৈবা মীনা মশীং হেনবা ইন্দিয়নশিংবু চমম্লহনখিবা ৱাহে অমনি। চা-কোফী-স্নেক্স চাবা/থকপা, বস তোংবা, মনা-মশিং/মরূ-মরাং লৈবনচিংবা অপীকপা শেনফম (পেত্তি-কেস) পীথোক-পীশিন তৌবদফাওবা শেল শীজিন্নদবা, দেবিৎ নৎত্রগা ক্রেদিৎ কার্দ শীজিন্নদুনা, নৎত্রগা অতোপ্পা 'পেমেন্ত মোদ' অমা শীজিন্নদুনা পীবা য়াহল্লম্বা অদুনা ফুরিৎ-খাউ'দা নৎত্রগা মনি-বেগ'তা শেল হাপ্তুনা পুবগী তঙায়ফদবদু লৈহন্দে।

আ মথায় থায়না মমাংঙৈ, পোৎকা পোৎকা ওন্নবা (বার্তর সিষ্টেম) গী হৈনবী লৈরম্বদগী সনা/লুপা/কোরীনা শাবা শেল ময়েক শীজিন্নদুনা পোৎ লৈবগী হৈনবী ওন্থোরকপদা মতম চঙখি। অনৌবা হৈনবীদু মথম্মোয়না পাক য়াবা ঙমখিদে। অদুগুম্না, লুপা নৎত্রগা কোরীগী শেও ময়েক'তুদগী চে'দা নম্বা শেল ওন্থোরকপদসু মদু মঙায়। মতম চঙখি। ঙসিদি, হৈনবীদুনা চেৎশিনমনখিদুনা শাশিন্নবা শেল (জালি নোৎ) নম্বগী করবার ফাওবা তৌনরক্লে। অদুগা, গুগল পে/ফোন পে অমদি মখল কয়াগী স্মার্ট-কার্দ শীজিন্নদুনা দুকান্দগী পোৎ মচা-মশু লৈবদগী হৌরগা, পেত্রোল পম্প'তা থাউ হানবা, হীদাক লৈবা, রেলৱে/এরোপ্লেন টিকেৎ লৈবদা/মীরমদা লৈখিবা ইচা-ইশু-মরুপ্তা শেল থাবদা, অচৌবা দুকান (সো-রুম)দগী পোৎ লৈবদা শেল পীবা চৎনরক্লে। তপ্না তপ্না স্মার্ট ওইবা হেল্লক্লে। কুইররোই, খোঙজেল য়াঙনা হোংলক্লিবা য়াওলসিগী মাঙলোমদা চঙশিনবা খোঙথাং অমা থাংলক্লনি- দিজিটেল করেন্সি হৌদোকপা। খুৎনা শোকপা য়াদবা, মমিতমক উবা শেল! অরোনবা করবার তৌবা কাঙবুনা লোৎনা-থুপ্না পৈশিনবা শেল (ব্লেক মনি) অমদি দুপ্লিকেৎ (জালি) নোৎকী প্রোব্লেম হন্থহন্নবা, স্মার্ট ওইবা পুন্সিগী মাঙলোমদা থাংবা খোঙথাং অমা।

'মিনিষ্ট্রি ওফ অর্বান দিভেলপমেন্ট'না ২০১৫দা 'নেসনেল স্মার্ট সিটিজ মিসন' মিংথোনবা প্রোগ্রাম অমা পায়খৎনবা ৱারেপ লৌখি। অহানবগী ওইনা ২০১৯দগী ২০২৩ ফাওবই মনুংদা স্মার্ট-সিটি চামা শেমগৎপা লোইনবগী পান্দম'দা লুপা ক্রোর ১,৯১,২৯৮ কায়থোকখি, প্রোজেক্ট ৬৯৩৯ পায়খৎখি। অদুবু অৱাবনি, ২০২২ মার্চ থা লোইশিল্লকপা ফাওবদা থবক্তুগী চাদা তরামাপন (১৯%) খক লোইবা ঙমখি। চাদা মরিফুমাথোই মায় পাকপা ঙমখিদবা স্মার্ট সিটি চেল্লেঞ্জ অসিদা নোংচুপ বেঙ্গল য়াওখিদে। ৯৯দুগী মনুংদা 'ইম্ফাল' সহরসু য়াওখিবনি। মায় পাকখিবগী মরম, অতৈ ষ্টেটশিংগীদি খঙদে, ঐখোয়গী ষ্টেট মণিপুরগী ওইনদি প্রোজেক্ট অসি পায়খৎপদা চঙগদবা শেনফমদুগী তংখায় (৫০%) দি ষ্টেটকী সেয়র ওইনা পুথোক্কদবনি হায়বা কন্দিসনদুনা ওইরম্লি।

স্মার্ট-সিটি- ওইবা নৎত্রগা ওইদবা, মফমদুগী লম্বী-থোং অমদি য়ুম্লৈ-কৈরৈগী থাক অদুনা লেপ্তে। 'টেক্নোলোজি অপগ্রেদেসন'- সহর অমবু নৎত্রগা সহরগী শরুক অমবু 'স্মার্ট-সিটি'নি লাউথোকপগী মরুওইবা পেরামিটর অমনি। মখল কয়াগী হ্যুমেনিটরিয়ন সর্ভিসশিং অদুদা অনৌবা টেক্নোলোজিগী মতেংনা কয়াম অহোংবা পুরক্তুনা পুন্সি মহিং অসি করি কান্নবা পীরবগে? ৱাহংসিনা মরুনি। খুদম ওইনা 'পাৱর সপ্লায়' (মৈ/ইলেক্ট্রিসিটি অমসুং 'ৱাটর সপ্লায় (টোটি ঈশিং)। ৱাৎপা, লৎপা লৈতনা মতম চুপ্পদা কঞ্জুমরশিংদা ফংহনবা। অদুসু, লমদমদুগী মীয়াম্না পীবা ঙম্বা মমলদা। চহী কুম্থ্রামুক্কী মমাঙদা 'ইজিপ্ত'তা চৎলুবা মরুপ অমনা তম্লকখি- মফমদুদদি য়ুম খূদিংমক্তা পাইপ অহুমদা ঈশিং মখল অহুম পী- থক্লনবা, ফিশু-ফিজাম তৌনবা অমসুং টোইলেটকীদমক শীজিন্ননবা! মদুদি লমদমসিদা মতম কুইনা মঙলান' মশক ওইখিনি।

স্মার্ট-সিটি অমগী তঙায়ফদবা গুনশিংনি- পব্লিক অমসুং প্রাইভেট ত্রান্সপোর্ট সিষ্টেম (চখোক-চৎশিন পাম্বৈ) অফবা.... ফুএল ইকনমি ফগৎহনবা (থাও'-মমল হন্থহনবা)... মফম চানা প্রাইভেৎ পার্কিং-প্লেস মরাং কায়না শেমগৎপা, য়ারগদি মল্টি-লেবেল (মথোল লোঙবা) পার্কিং... এম্যুজমেন্ট পার্ক, পব্লিক-প্লেস, আর্ত গেল্লেরি, সিনেমা/থিয়েটর হোল, হোতেল/রেষ্টরেন্ট/রিতেল সোপ/সোপ্পিং-মোল'নচিংবা মরাং কায়হনবা... পেমেন্ত মোদ (শেল পীবই মওং) লায়হনবা... অসিনচিংবা। পুম্নমকসিগী মথক্তা পুকচেল শেংবা (ওনেষ্টি/সিন্সরিতি)- খ্বাইদগী মরুওইবনি। কুইরবগী মমাঙ, গেংতোক (সিক্কিম)গী হোতেল-রুম অমদা ইদুনা থেৎলম্বা চেজেৎ অদু নীংশিংলকই... 'কাসিদা সনা-লুপা-মমল য়াম্বা পোৎ-শেল থম্লম্বদা চিংনবীগনু, ঐখোয়দা পাউ পীবীরম্মু, মাঙখ্রগা ঐখোয়গী দাইত্বনি'...।

গেংতোক্লা স্মার্ট সিটি ওইরকপা, অরুবা নত্তে।

লৌশিং পুক্কে

# হকচাং অমসুং ৱাখল নুংঙাইনা

## লৈনবগীদমক ঐখোয়না তৌবা য়াবা থবক খরগী মতাংদা খঙমিন্নসি

ঐখোয় মীওইবা খুদিংমক মতম পুম্বদা ৱাখল নুংঙাইনা অমদি হকচাং ফনা লৈবা পাম্বা ঙাক্তনি। হায়রিবা অসি ঐখোয়না পাম্মী হায়দুনসু হেক্তা ফংবদি নত্তে। শেল ফনা য়াম্না পায়রবসু ৱাখল নুংঙাইফম খঙদবা মীওই কয়া মালেম অসিদা লৈতবা নত্তে। ৱাখল নুংঙাইনা লৈনবা হোৎনবদা হকচাং তিঞ্জং কায়জঙদনা ফনা লৈবা মথৌ তাই। অদুবু মতমগী মতুংইন্না ঐখোয়না তৌরুবা থবকশিংদা মায় পাক্তবা য়াওরকপা অমদি ঐখোয়না চাশিন-থকচিল্লিবা চিঞ্জাকশিংনা মরম ওইরগা ৱাখল অমদি হকচাং নুংঙাইহল্লক্তনবা অচৌবা মরম অমা ওইরকই। অদুবু হায়রিবা অসিদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনবদা ঐখোয়না অতোপ্পদগী মতেং লৌবা ফংলোই। মরমদি ইশাগী ৱাখল অমদি হকচাং ফনা লৈহনবা হায়বসি ঐ ইশাগী মখা পোল্লি। মরম অদুনা ঐখোয়না ইশানা ইশাবু য়াম্না চেকশিনবা মথৌ তাই। সাইন্স অমসুং টেক্নোলোজিগী মতম অসিদা ঐখোয়গী ৱাখল অমদি হকচাং নুংঙাইহনবা য়াবা পাম্বৈ কয়া অমা লৈরে। অদুবু হায়রিবা পাম্বৈশিং অসি মীপুম খুদিংমক্লা শিজিন্নবা ঙম্বদি নত্তে। নোংমগী শুরগা চারিবা মীওইশিংনা টেক্নোলোজিগী মতেং শিজিন্নদুনা ৱাখল অমদি হকচাং ফনা লৈহন্নবা হোৎনবা হায়বসি খরা ৱানা থোক্কনি। মরম অদুনা ঐখোয়না য়ুমদা লৈনা লৈনবা তৌবা য়াবা নৎত্রগা করি তৌরগা হকচাং অমদি ৱাখল ফনা লৈহনগদগে হায়বগী মতাংদা খরা খঙমিন্নসি।



১) ঐখোয়না নোংমদা তৌগদবা থবক মশিং য়ামখৎলক্লবদি ৱাখল ৱাবা হেনগৎলকপগা লোয়ননা ষ্ট্রেস লৈবগী চাংসু হেনগৎলকই। মরম অদুনা চয়োল অমগী মনুংদা অমুক্তা ওইরবসু ঙসি ঐনা তৌগদবা থবকশিং অদুদগী ঙাইহাক্তা ওইরবসু নাথৈদুনা খুদিংমক কাউথোক্লবা হোৎনগদবনি। ঙাইহাক্কী ওইনা নৎত্রগা খুদক্কী অৱাবা কাউথোক্লবা হোৎনবদা নুংঙাইবা ঈশৈ তাদুনা পোথাবা অসিসু য়াম্না কান্নবা অমা ওইরি। ঈশৈ ঙাইহাক তারগা পোথাবনা কা হেন্না মথৌ চিল্লম্বা ঐখোয়গী ব্রেনসু পোথাগনি। মদুগী মতুং মিনিট খরা লৈরগা হান্নগুম ঐখোয়না থবক তৌবা মতমদা অহোংবা শোয়দনা লাক্কনি। লাক্কদৌরিবা অহোংবা অসি মায় পাকপগী লম্বীদা চঙশিনবা অমদি হকচাং য়াম্না তগৎ তগৎ তেক্লা থবক তৌবরোমদনি।

২) মতম কুইনা থেংনখিদ্রবা নৎত্রগা ৱারী শান্নদনা লাকখ্রবা মরুপশিংগা করিগুম্বা মতমদা উনদুনা নৎত্রগা টেলিফোনগী খুথাংদা ৱারী শানবা হোৎনগদবনি। মসিনা ঐখোয়গী ৱাখলদা য়াম্না নুংঙাইবা পোকহনবা ঙমগনি। করিগুম্বা মতমদা ৱাখলদা মতম শাংনা পোথাফম খঙদনা লাকখিবা কয়াসু কুইনা উনরুদ্রবা মরুপশিংগা উনদুনা ৱারী শাবা মতমদা লৈরম্বা অৱাবশিং কোকখিবসু য়াওই হায়না থিজিল্লোয়শিংনা ফোঙদোক্লুরক্লি।

৩) ঐখোয়না থবক ৱানা শুরুবদগী হকচাং চোকথরকপা অমদি ৱাখলনা ইতোমতা লৈনিংবা ফোওরকপা হায়বসি ঐখোয় মীওইবদা থোকপা থৌদোকশিংগী মনুংদা অমনি। হায়রিবা মতম অসিদা ইতোমতা মী অমত্তগা উন্নদনা লৈবা হায়বসি অফবা ওইদে। মরম অদুনা মী কা হেন্না তিনবা মফমদা চৎত্রবসু অনকপা পার্ক কুম্বা মফম অমদা চত্তুনা অকোয়বদা লৈরিবা ময়াম অদুবু নৈনবগী হৈনবগী অমা থমগদবনি। পার্ক অমদা য়ুংলিবা অপীকপা পিল্লর অদু করি মরমগীনো হায়না ইশানা ইশাদা ৱাহং হংজবা অমদি মদুগী পাউখুম পীনবা হোৎনরিবঁদা হান্না লৈরম্বা অৱাবা ৱাখল কয়া অদু শোয়দনা মাঙখিগনি। হায়রিবা অসি নৎত্রগা ঐখোয়না লৈরিবা কা অদুগী মওং মতৌ শেমদোক শেমজিন নৎত্রগা হোংদোক হোংজিন তৌদুনা মতম লেন্নবা হোৎনগদবনি। খুদম ওইনা হায়রবা ঐখোয়না তোংলিবা খোঙউপ অদু করম্বা মওংদা থম্লগদি হেন্না ফজগনি হায়বনিচংবা কয়া ট্রাই তৌদুনা য়েংগদবনি। মসিসু অৱাবা ৱাখল কাউথোকহন্নবা অমদি লৈরম্বা ষ্ট্রেস চাং হন্থহনবদা চাওনা মতেং পাংই।

অদুবু হায়রিবা কয়া অসিগী মথক্তা ঐখোয়না য়াম্না চেকশিনগদবদি চাবা অমদি থকপনি। ঐখোয়না চারিবা কয়া অদুগী মতুংইন্না হকচাং অমদি ৱাখল ফনা লৈহনবা ঙমগদৌরিবনি। মরম অদুনা অখঙ অহৈশিংগা তানদুনা মপুঙ ফাবা দাইট মেন্টেন তৌনবা হোৎনগদবনি হায়রি।

আর্টিকল অসি রিলাইএবল সোর্সতা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙবনি, অদুবু মসিনা মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংগী পাউতাককী মহুৎ শিন্নবা হোৎনবদি নত্তে

# চমদিল খুল্লেন কম্যুনিটি হোলদা এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে



ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৯ (ঐচ এন এস) : মণিপুরদা খুন্দারিবা অনাল কাঙলুপকী মনুংদা অমসু ওইরিবা অনাল খুল্লেনদগী হৌরকখিবা পহরং পাশেল শাগৈগী নহাশিংগী ওইবা মশা-মউ ফনা অমসুং মাঙলোমদা চঙশিনবা কাঙলুপ অমা ওইহন্নবগী পান্দমদা পহরং পাশেল য়ুথ এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম অমা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী চমদিল খুল্লেন কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

নোট বাই মাইট, নোট বাই পৱার বট বাই দ স্পিরিট ওফ গোদ হায়বা থীমদা পাঙথোকপা এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম অদুগী মতাংদা প্রোগ্রাম কোওর্দিনেটর পাশেল জোননা ফোঙদোকখিবদা, অনালশিংগী মনুংদা অনাল খুল্লেনদগী হৌরকফম ওইরগা ঙসিদি চকপীকারোং অমদি চান্দেল য়াওনা মফম খরদা খুন্দাদুনা লৈরবা পহরং পাশেল হায়রিবা শাংগৈ কাঙলুপ অসি য়াম্না শোত্থনা লৈবা কাঙলুপ অমা ওইরি। ঐখোয়গী শাগৈ কাঙলুপ অমদি অনাল কাঙলুপ অসি কমদৌনা চাউখৎকদগে মপুং ওইনা নহাশিংনা কমদৌনা ময়াই কাবা চীঞ্জাক্তুগী লাপথোক্লা লৈগনি, লাইনিং লম্বীদা কমদৌনা চৎকনি অমসুং খুন্নাই অসিদা ঐখোয়না কমদৌনা মীমান্ননা তীনগদগে হায়বদু নহাশিংদা ৱাখল তাহনবগা লোয়ননা পহরং পাশেল শাগৈদা লৈরিবা ঐখোয় মশেল অমগা অমগা শকখঙ মায়খঙননবগীদমক অসিগুম্বা এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম অসি পাঙথোকপনি হায়খি।

ঙসি পাঙথোকখিবা এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম অদুদা চাপা পি এস জারুইঙম, চাপা পি এস তাংরিং, চাপা কোলোনেল পি এস কেনন, চাপা পি এস ঙাহরিং, চাপা পি এস পহেথানচিংবসু ৱাঙাংলোয় ওইনা শরুক য়াখি হায়রি।

# মণিপুর প্রেস ক্লবতা সী এস ওশিং য়াওনা মীফম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৯ (ঐচ এন এস) : ওল মণিপুর রোদ ত্রান্সপোর্ট দ্রাইভরস এন্দ মোটোর ৱার্করস য়ুনিয়ন (এ এম আর টি দি এন্দ এম দব্লিয়ু য়ু)না শীন্দুনা হৌখিবা দিসেম্বর ২১দা টি ভি চেনেল অমগী দিস্কসন অৱারদা মণিপুরগী দ্রাইভরশিংবু হন্থনা য়েংবা মানবা মওংগী ৱাহৈ-ৱাতা ঙাংখিবগী মতাংদা লমদম অসিগী সী এস ওশিং, য়ু সী এম, অমুকো, সী সী এস কে, হেরিকোন, নিপকো অমদি লিপুননচিংবগী লুচিংবশিং শরুক য়াদুনা খন্ন-নৈনবগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে হায়না ওল মণিপুর রোদ ত্রান্সপোর্ট দ্রাইভরস এন্দ মোটোর ৱার্করস য়ুনিয়নগী জেনরেল সেক্রেটরি মাইমোম অনিলনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ঙসি পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা য়াম্না কুপ্না খন্ন-নৈনরবা মতুংদা হৌখিবা দিসেম্বর ২১দা পাঙথোকখিবা দিস্কসন অৱারদা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদুগী মতাংদা দিসেম্বর ২৮দা মণিপুরগী ইলেক্ট্রোনিক অমদি প্রিন্ট মীদিয়াদা দ্রাইভরশিংবু হেন্না মরাল শীজিনবা মানবা শেংদোক ৱারোল অদু মণিপুরগী দ্রাইভরশিংনা পেন্দে হায়বা ৱারেপ লৌখিবগা লোয়ননা লাক্লিবা জন্যুৱারী ৫ ফাওবগী মনুংদা মণিপুর দ্রাইভরশিংনা থম্মোয়গী পেন্দবা কোকহনবা য়াবা ৱাহৈশিং মীদিয়াগী খুথাংদা থম্বীদুনা ৱারোইশিন পুরক্লবা শীনবীগদবনি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ৩০।১২।২০২২ ইং, ইরাই;
ৱাকচিংগী ৮ নি পানবা।

মেষ: অনম তানবা, নাপল তৌবা অমদি নকন্থিনা নরল মাঙহনবা য়াবা নুমিৎনি। হোয়া ফবসু মতাং চারোই-ঈংথনা থৌপাঙনবা হোৎনৌ।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংলোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাঙবা

বৃষ: খোয়রাংবা, চিন কনবনা অঙম্বগা মুক্লবা য়াবা লৈরসু শেন্দোং তানবা থবক্তদি মায় পাক্কনি। নীংথিনা খন্থরদি থবক খুদিং মায় পাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক খরদি ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস

মিথুন: য়েৎনবা নৎত্রগা অফা অপুন্নবদি হান্নগুম লৈগনি-লাঙতক্লবা ফাথৌ। য়ুমগী ৱা তাবা, অচুম্বনা মাঙওইনবা, অরাপ্পগী মতেং লৌবা কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

কর্কট: নীংহন্নদনা হোৎনজরদি থাজদনা চাওনা ওইজবা ফংগনি। মীপুনববুদি নাইতোম থৌ পাঙবনা মায় পাক্কনি। মীতোপ্না য়েংথি-চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চারোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

সিংহ: ঈকায়বা নংবা য়াবা লৈরম্বা কোকচরে, মরুপ মপাংগী মতেং পাল্লদি লৌবা য়াগনি। থৌনা ফুদোকউ-চিংনগনু অঙম্বনসু য়াম্না চানবীগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- হেন্না আশা চাওবা য়ারোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

কন্যা: লাইবক ফবা, লল্লোন ইতিক্তা চাওনা কান্নবা, অফবা লৌশিং তানশিনবসু য়াবা নুমিৎনি। খুরৌ থাংবা, অফা অপুন্নবা অমদি লোয়নৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা হেন্না চানবী।
থৌনি পোৎলম : লে হিগোক

তুলা: লাইবক ফগনি, থবক পাঙগনি, শেন্দোং য়াম্না ফংগনি। অদুবু থাজদনা নক্লবনা ৱাহল্লি, লৌশিং চাওরসু ফুদোকপা ৱাই-মীতোপ থাজগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

বৃশ্চিক: নোল্লুক্লা চৎলদি নরল ময়েং তাবা লৈরোই অমদি পাংঙমদবা থবক পাঙগনি। ইমুং মনুং অমদি মীয়ামগী মতেংদি হান্নগুম ফংজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

ধনু: থৌরম য়াৎপা অমদি ঙাং-শকপা হৈবা ৱাৎকনি-অখঙ অহৈ তান্নৌ। য়েৎনবা পামগনু/লাঙতক্লগনু। নখা থাবগী মতেং লৌবা কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- য়াকা য়েংনা চৎলু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

মকর: ৱাখল থোক্কনি, অনৌবা আশা লাক্কনি, মীচঙ খোম্বা য়াগনি, লল্লোন ইতিক য়াম্না কান্নগনি। ইমুং মনুংগী ৱা নত্তনা কনাগীসু ৱা তাদবা ফৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

কুম্ভ: পাউ নুংঙাইবা তাবা, য়েক্লবা লৈরম্বা হন্থখিবা, ইচঙ থৌবনা হেন্না কান্নজবা নুমিৎনি। ৱানোম থৌনোমদি কান্নরোই, মরুপ্না চানবীরোই।
লৈশা পাখংশিংগী- কায়নবা য়াই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/চেঙ

মিন: হরাওবা-পুক্লিং মকা লাম্বা, থৌনা ফুদোকপা মতাং চাবা, য়েক্লবনফাও তেংবাঙবীবা নুমিৎনি। মতম মাঙহন্দনা নীংহন্নদনা থৌ-পাঙহৌরো।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

মমি ৱারী

# ৱাইল্‌দর্নেষ্ট

থৱান

